থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঙমখৈ শম্বল, ষন চঙদনবা খাবা নত্তে

লমখৈ (লমগী ঙমখৈ)-ৱাথোক হায়বসি, মোদর্ন মেন-অনৌবা যুগকী অনৌবা মীরোল অসিনা হেক খুন লিংদুনা পাল্লকঙৈদগী থোক্তুনা লাক্লবা ৱাথোক অমনি। হিন্দুস্থান-পাকিষ্টান খায়দোক্ত্রিঙৈদা ‘বৃটিশ ইন্দিয়া’ হায়দুনা পাক চাউখ্রবা বাউন্দরি অমনা কোনবা লম অমা লৈরম্মী। লমজাওদুগী মনুংদা নিংথৌ মচা-মচা ময়ামগী অচৌবা লৈপাক অমমম। নিংঙাই চাউবা মোহম্মদ অলি জিন্নাহগী চক্রিদা খাংঙমদ্রবা মহাত্মা, মথম্মোয় মচেৎ তাহন্দুনা মুসলমানশিংতগী ওইবা লৈপাক (মুসলিম কন্ত্রি) অমা শেমহনখি। নীংতম্বা ফংবগী নুংঙাইবা মীকুপ, ইন্দিপেন্দন্স-দে-সেলেব্রেসন য়াওখিদে। কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৭ ‘সার সাইরিল রেদক্লিক’না পার্তিসন ওফ ইন্দিয়াগীদমক য়াৎখিবা বাউন্দরি অদুবু ‘রেদক্লিক লাইন’ হায়না খঙনখি। কিলোমিটর ৩৩২৩ শাংই। মালেমদা লৈরিবা ইন্টরনেসনল বাউন্দরিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিবা (মোস্ত দেঞ্জরস বোর্দর) অমনি হায়না শীংথানৈ। শাংলবা পরিং অসিদা য়ুংবা পোষ্ট ৫০,০০০ দা ফ্লদ লাইট অঙানবা লাখ অমগা লীশিং য়াঙখৈরোম থাল্লি। নোংথক (স্পেস)তগী নুমিদাংদা উবা ইন্টরনেসনল বোর্দর বাউন্দরিসি ‘রেদক্লিক লাইন’ মথন্তনি হায়নৈ। পোষ্ট অমগা অমগগী মরক্তা তিংখং পানবা য়োৎকী তরা (ৱায়র)নসু মকোন মকোন খারিবা। পান্দম ? লৈপাক অনীসিগী মী, ঙমখৈ-লৈইসিগী ৱাংমা লান অমনা অমদা চঙশিন্নদনবা। ধর্ম্ম (রিলিজন)দা য়ুম্ফম ওইবা লৈপাক অমা ওইনা শেমখিবা (নোংপোক অমসুং নোংচুপ) পাকিষ্টান-মান্নদবা লোন ঙাঙবা মীওই কাঙলুপ অনী, নোংপোকথংবা পাকিষ্টান-উর্দু নৎত্রগা বাংলা লোন অনীগী মরক্তা করম্ববু ওফিসল-লেঙ্গুয়েজ ওইহনগদগে হায়বগী ৱাহৌদা অমততা ওইবা য়ারকখিদে। চাউনা উংখৎনরকখি। ইন্দিয়ানা খুৎ থিংজিল্লুঙৈ লাঞ্জাও অমা থোকখি। কুমজা ১৯৭১, মার্চ ২৬, বাংলাদেশ কৌবা অনৌবা লৈবাক অমা পোকখি। মায়কৈ অহুমদা ইন্দিয়াগা ঙমখৈ তাইনৈ। অপুনবা অশাংবা - কিলোমিটর ৪১৫৬ নি। কুমজা ১৯৭১, দিসেম্বর ৩ দগী ১৬ ফাওবা শোক্লখিবা ইন্দো-পাকিষ্টান-লান, পাকিষ্টাননা কশ্মিরবু ইন্দিয়াদগী তোখায় তাহন্নবা হোৎনবগী থবকসিদা মৈ য়াঙশিন্নবগী অচৌবা মরম অমনি। লানদুনা মরম ওইরগা মশীং থীঙদ্রবা রিফ্যুজি (মীচেন) ময়াম অসামদা চেনশিল্লকখি হায়বগী তাইশিনবা ৱারবা পোলিটিকেল প্রোব্লেম অমগী মরু হুনখ্রিবনি। লান’দুমক্কী তুংওইনরকপা মহয়নি - কুমজা ১৯৭২ জুলাই ২ দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ পাকিষ্টান, লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা খুৎয়েক পীনখিবা ‘শিমলা এগ্রীমেন্ট’ - শান্তি পুরক্লবা ৱারোল। শান্তিগী ৱারোল অদুদা য়ানখিবগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়া পাকিষ্টান অনীগী কাশ্মিরগা তাইনবা বোর্দর পরিংদা ‘লাইন ওফ কন্ত্রোল’ (এল ও সী) হায়বা অমগা ‘পাকিষ্টান ওক্কুপাইদ কাশ্মির’ (পি ও কে) হায়বা অমগা পোলিটিকেল টর্মিনোলোজি অনী শেমখি। লাইন ওফ কন্ত্রোল হায়বা, লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানজবা ঙমখৈ পরিং অসিদি ইন্টরনেসনল বোর্দর লাইন অমা ওইনদি শকখঙদে।

ঙসি ঐনা ঐগী পাউদম অসিগী মরু ওইবা হীরম অমা ওইনা লৌখৎচরুরিবা লমগী ঙখৈগী ৱাফম অসি পোলিটিকেল ইশ্যু অমা ওইনা নত্তে, সোসল ইশ্যু অমা ওইননি। ইন্দো-নাগা-পিছ-টোক হায়নবা, ঐনদি ‘ইন্দো’ হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নদুনা নাগালেন্দ অমদি ইন্দিয়া অনীবু তোঙানবা কন্ত্রি অনী মালহনবসি য়ানিংখিদবা, তাইশিনবা ৱারবা পোলিটিকেল দাইলোগ অসিসু লমখৈগা মরী লৈনবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট ময়ামশিং অসিগী লৈশেম-ৱারী অমমম লৈরিবসি পোপথোক্লগুমসি। ঐনা ঙসি ৱাফমসি হৌদোকচরুবদি - কোরোনাগী লাইচৎসিনা, ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংগী বাউন্দরি অসি ফাওবা, লাইচৎ অসি শন্দোকখিদনবা ঙাকশেন-থৌরাং অসুক্কী মতিক মরু ওইরিবা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার (বর্মা)গী কিলোমিটর ১৬২৪ শাংবা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি অসিগী ফিভমদি কমদৌরিবগে ? করম্না ঙাক শেল্লিবগে ? লমখৈ পরিংসিদদি মীতোপ-মীরান লান্থোক-লানশিন তৌনখিদবজাৎলা ? কনানা শেন্নরিবগে ? কদায়দা রেকোর্দ লৈবগে ? নীংতম্বা ইন্দিয়া শেমখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্ট অসিনা কৈদৌঙৈদসু নীংথিনা শেন্নরকখিদ্রবা, সনা থোকপা ঈরমগী শরুক অমসু মীরমদা পীথোকখিব্রা, পুকচেল চাউবা মতৌদু নীংশিংলকপনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুন্নমক বাউন্দরি সীল-তৌদুনা থিংজিন্নরকপা, ইন্টরনেসনল ফ্লাইট পুন্নমক লেপখিবা থা অনী শুজিল্লকপসিদা ঐখোয়গী ঙমখৈ পরিং নীংশিংলকপনি। লোকেল টি ভি চেন্নেলশিংদা উৎলকপা, ষনজাবুং ঙাক্লবা খারিবা শম্বল অমগা পাংখক ওইবা বাউন্দরি ফেন্সিং ! চহী হুমফুতরাগী ইন্দিয়ন পোলিটিকেল এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা পোলিটিক্স তৌরিবা পোলিটিসিয়নশিং - নোংমতসু নীংশিংখিদবরা ? বাউন্দরি পিল্লর হোংদোক-হোংজিন তৌরম্লে ... মমাংগী চহী অমা অনীসিদখক্তনি - সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ৌ য়ৌ তৌনরকপদগী ওপোজিসনগী ভোট কাদবা-পোলিটিসিয়নশিংনা থৱায় য়াওরকখিবা। হৌজিক্তি তুমিন লৈশিনখ্রে। ওপোজিসন - পোলিটিক্স - রুল্লিং পার্টিগী কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট, হুন্দুনা ঙাঙবা, অশোয়বা থিবা খক্তু নত্তে। কোভিদ-১৯ থেংনবগী থবকসিদা নহা ওইরিবা, ইম্মুন কনবা ভোল্যন্টিয়র শেমগৎপদা মায় ওনশিনসি। রুল্লিং পার্টি লিদরশিংনা কোভিদ-১৯ ফাইতিং ফন্দগী শেনফম কদায়দা করম মৎখিবা ? থিগৎলোইসি ঐখোয়, ঈথৌদুতং পাঙথোকসি। নোংচুপ থংবা পরিংদা খাবা বাউন্দরি ফেন্সিংদুগা মান্ননা নোংপোকথংবা পরিংদসু খাহনসি। ঙমখৈ শম্বল চেৎশিনহনবসু কোভিদ-১৯ থিংবগী তৌফদ্রবা, তঙায়ফদ্রবা থৌদাং অমনি। হৌজিক্তি ঐখোয় কোভিদ-ফ্রী ওইদ্রেদনা ! অনৌবা কেস অমসু মীরমদগী থুংলরে। থুংলবা য়ারি অতোপ্পা কয়া অমসু।

লৌশিং পুক্কে

# ভিএটনামদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীওই অমফাওবা শিদ্রি, মসি কমদৌনা ওইথোক্লিবনো?-২



সাউথ অফ্রিকাগী ওইনা গ্রোসরিগী পোৎ অমদি তঙাইফদবা হীদাক লাংথক লৈবা, লোয়ননা অনা-অয়েক্কী নত্তনা মীওই অমত্তা থবক চৎপা, মপান্দা হকচাং শাজেল তৌবা, অমদি হূই পুরগা চৎপফাওবা থিংখি হায়না ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা লেনোক্স হিল হোস্পিটালগী ইমর্জেন্সি ফিজিসিয়ন ডা. রোবর্ট গ্লাট্টরনা ফোঙদোক্লি।

ন্যু জিলেন্দদসু চপ মান্নবা মওংদা য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইনা লোকদাউন তৌখি, হৌগৎলকপা মতমদদি অনাবা মশিং য়ামখৎলক্লম্মী, অদুবু য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা ফীভম লাকশিনখি।

বর্জরনা হায়, ন্যু জিলেন্দগী ওইনা অনাবা মশিং য়েংবদা অসুক্কী মতীক য়ামদে, অদুবু অপীকপা লৈবাক অমা ওইবনা অনাবা মীগী মশিং অসি মীওই মিল্লিয়ন অমগী মনুংদা অনাবা মশিং ৩০৬কী চাং য়ৌই, মসি মালেমগী ওইনা য়েংবদা মীওই মিল্লিয়ন অমা খুদিংগী অনাবা মশিং ৪১৩ ওইবা অসিগা ইখেন খেন্নবা ওইদ্রবনি।

এপ্রিল ৫দা লৈরম্বা নুমিৎ খুদিংগী অনাবা মশিং হেনগৎলকপগী চাং অদু এপ্রিল ১২ ফাওবগী মনুংদা নুমিৎ খুদিংগী চাদা ৭৫গী চাংদা মশিং হন্থরক্তুনা নুংতিগী অনাবা মশিং হেনগৎলকপগী চাং অদু য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা হন্থরকখি হায়নসু বর্জরনা মখা তারি।

অসুম্না য়াম্না থুনা ফীভম লাকশিনবা ঙমখ্রিবা অসি লৈবাক অসিদা কেস মশিং য়াম্না য়ামদ্রিঙৈদা মখোয়না লৌখৎখিবা জিওগ্রাফিক আইসোলেসন অমদি চৎথোক চৎশিন্দা য়াম্না অকনবা অথিংবা থমখিবা অনী অসি পাবনসু মরম অমা ওইরি।

লৈবাক অসিদসু খুদক্তা মপুঙ ফানা লোকদাউন থমখি। রেষ্টুরেন্টশিং থিংবগা লোয়ননা কম্যুনিটি স্প্রেদ থিংনবা অনাবা মীওইশিংগী কন্তেক্ট ট্রেসিংসু য়াম্না পাক শন্না তৌখি।

অমরোমদনা, ভিএটনামদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা অকনবা খোঙথাং লৌখৎখি। কুমজা ২০০৩দা থোকখিবা এস এ আর এস ইপিদেমিককী এক্সপিরিয়ন্স অদুনসু মখোয়দা পারা অমা ওইরি হায়না এন পি আরগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

গ্লাট্টরনা হায়, চাইনাগী মপান্দা কোভিদ-১৯গী অনাবা থেংনখিবা ইহান হানবা লৈবাক অসি ভিএটনামনি, অদুগা মখোয়গী রেস্পোন্সসু য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা অমদি য়াম্না ঙন্না তৌখি।

মহাক্না হায়, ভিএটনামসু য়াম্না কন্না হোৎনখি। ইহান হানবদা ফেব্রুৱারী ১দা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থহন্নবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হৌখি। লৈবাক অসিগী অহানবা কেস অনী থেংনবা অদুগী হেক মথংগী নুমিৎতগী মখোয়গা চাইনাগগী মরক্তা লৈবা ফ্লাইট সর্ভিস পুন্নমক লেপখি, অমদি মখোয়গী থাবানগী মতুংইন্না চহী হৌবা নুমিৎকী মতুংদগী স্কুল খুদিংমক থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

ফ্লাইট খুদিংমক থিংজিন্নবগী ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ভিএটনামনা চাইনা বোর্দর ইসেন্সিয়ল ট্রেদ অমসুং ট্রেবেলখক নত্তনা অতৈ হীরম খুদিংমক থিংজিনখি। অদুগা মার্চ থা য়ৌরকপদা মীপুম খুদিংমক্না মাস্ক উপ্পা হায়বসি শোয়দনা তৌগদবা অমা ওইহনখি।

য়াম্না শন্না হায়রবদা, মীওই লিশিং কয়া পাক শন্না কোরন্টিন তৌখিবা, লোয়ননা য়াম্না চেকশিন্না কন্টেক্ট ট্রেসিং অমদি টেষ্টিং তৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায় পাক্লা লাকশিনবদা অচৌবা মতেং ওইখি হায়নসু গ্লেট্টরনা মখা তারি।

সী এন বি সীগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি তাবদদি খরা হেনমনবা মাল্লগসু, য়াম্না কান্নবা ওইখি। লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা য়াম্না ঙন্না অমদি খোঙলৈ থুনা থবক লৌখৎখিবা অদুনা শেল থুমগী ওইবা খুদোংচাদবা থোকহন্দবদসু মতেং পাংখি হায়রি।

**ঐখোয়না করি তম্বা য়াবগে**

পেন্দেমিক অমা থিংনবগী লাইৱা অমা লৈতবনা, ঙন্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামনসু অমত্তা ওইনা থৌদাং য়ামিন্নবা হায়বসি শোয়ফদ্রবা অমা ওইরি।

হায়রিবা পান্থেশিং অসি লৌখৎকে হায়রগদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা খরা থেঙমনখ্রে হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

বর্জরনা হায়, ‘ঐনা খনবদা তম্বা য়াবা মরুওইবা পোইন্ট অনী লৈ। অহানবদা, য়াম্না থুনা হেক্তা দিপ্লোই তৌবা য়াবা, সেন্ট্রেল্লি প্লান তৌরবা অমদি কোওদির্নেটেদ ওইবা রেস্পোন্স অমা লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদে অমদি অসিগুম্বা থৌরাং অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈদা পায়খৎহৌগদবনি। ইনফেক্সিয়স দিজিজশিং অসিদি খুৎশেমগী ওইবা বোর্দরশিংগী খেন্নবা লৈতে অমদি মওং মরিল কয়া তাদবা অমদি কয়া কন্দবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপদা কান্নবগী চাং ৱাৎলি অমদি মায় পাকপগী চাং নেম্মী।

অনীশুবদা, মসিনা চুম্লে হায়বা থৌরাং অমা ফাওবা লৈতে। ভিএটনাম্না লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু ন্যু জিলেন্দদা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগা য়াম্না খেন্নে, অদুবু অনীমক অদু চপ চানা কান্নবা অদুম্মক ফংখি। লৈবাকশিংনা মখোয় মশাগী লৈজরিবা রিসোর্সশিং অমদি খুন্নাইগী ওইবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না চৎনবা য়াগদবা লৈঙাক্কী থৌশিল-থৌরাংশিং অমদি প্রোটোকোল অমা শেম্বদা লৈবাক অদুগী মশাগী লৈজরিবা মপাঙ্গল অদুসু মশানা খঙজবা মথৌ তাই হায়নসু বর্জরনা মখা তারি।

থৌশিল-থৌরাংশিং লৌখৎপদা এক্সপার্টশিংদা লুচিংহনবা হায়বা অসি য়াম্না কান্নবা খোঙথাং অমা ওইরি।

হীরম অসিগী মতাংদা গ্লাট্টরনা হায়, য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমদি সাউথ অফ্রিকান গভর্ণমেন্টনা লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবগী খুজিল থৌরাংশিং লৌখৎপদা থৌদাং পুন্নমক সাইন্টিষ্টশিংদা শিন্নে অমদি পোলিসিশিং শেমহল্লি।

# কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা অমদি লায়না অসি কন্ত্রোল তৌনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি য়ু পি ঐচ সী কোনো খোঙনাংমখোঙ থোংজু পার্ট-২দা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা বি জে পি থোংজু মণ্দলনা ট্রেন নর্সেস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্ননা শীন্দুনা ষ্টাফ নর্স, এ এন এম, আশা অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু চথুখিবনি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ট্রেন নর্স এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এসোসিয়েট প্রোফেসর টি ঐচ নন্দরানিনা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ঐখোয় পুন্নমক্লা ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদে। নর্সশিং, আশা ৱার্করশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করনচিংবদসু চেকশিন কাংলোনগী ওইবা কয়া অসি মমুৎ তানা খঙহনবা তঙাইফদে। মীৎয়েং অসিগা লোয়ননা অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

রিছোর্স পার্সন কয়ানা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ৱা ঙাংদুনা এৱ্যেরনেস লৈমিন্ননবা হোৎনবনি। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি তঙাইফদনা চেকশিনগদবশিং অদু ঙাক্লা চৎপা তাই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা গাইদলাইন খুদিংমক অসি ইনগদবনি। মালেমগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিগী চপ চাবা হিদাক পুথোক্তবা মরম্না য়াম্না চকেশিনবা চংই। খুৎ-শা শেংনা হাম্বা, মাস্ক শীজিন্নবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংলদুনা এসোসিয়েট প্রোফেসর এম সী মালানা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা হৌজিক লৈবাক কয়াদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা চৈথেং কয়া ফংলি। ষ্টেট অসিদা পোজিটিভ ওইরম্বা মীওই অনী লায়েংবদগী ফবা ঙমখ্রে। হৌজিক মখা তানা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপা চংই। হেল্থ কেয়র ৱার্করশিংনসু তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎপা তঙইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। ট্রেনিং প্রোগ্রম অদুদা নর্স, আশা অমদি হেল্থ কেয়র ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াংলাংজিং, কদাংবন্দ, কাংচুপ, নোংচুপ কৈথেলমানবী অমদি কোন্থৌজমদা লৈবা চহী ৬০গী মখাদা লৈবী মপুরোইবা লৈখিদ্রববিশিংনা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখ্রে হায়না য়ু পি এফ কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি এম সুনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমদা পেন্দেমিক ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুর পুম্বদা লোকদাউন থমখিবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নীংথিনা মার্কেটতা ফংদবদগী মীয়ামদা অৱাবা চৈথেং মায়োক্লরি।

অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং পীবা মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ময়াংলাংজিং, টনিং, কদাংবন্দ, নোংচুপ কৈথেল মানবী অমদি কোন্থৌজমদা লৈবা চহী ৬০ মখাদা লৈবী মপুরোইবা লৈখিদ্রবীশিংদা য়ু পি এফনা পোৎলম মতেং পাংখিবনি। মতেং পাংবগী থবক থৌরমশিং অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন থল্লিবা মতম অসি লোইদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা অৱাবা তারবা মীয়ামদগী শোত্থনা হিংলিবশিংদা মখা তানা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবনা মীয়ামদা চাওনা অৱাবা মায়োক্লরি। অৱাবা কয়া অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগীদমক চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংগী থবক চথুবনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।৫ ।২০২০ ইং,ইরাই ; অয়ুক পুং ৮.২৩ ফাওবা কালেনগী ২৩ নি পাল্লি, মতুং ২৪নি পাল্লনি।

**মেষ :** মরুপকী মতেংনা শেল থুম অমদি ললোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাই।নথক থোংবনা নথৌদা য়েংশিল্লি। নোল্লুক্লা চৎলু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**বৃষ :** লৈফম নুংঙাইবা ফংবা, থবক পাংবা, পুক্লিং অমদি হকচাং নুংঙাইবা নুমিৎনি।ইমুং মনুংগী ৱা তাবনা মরু ওইবা থবক পাংগনি। মরুপ্নদি তাথি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**মিথুন :** নক্লবনা লৌথোকনিংবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা অনম তানবা মাংজগনি। য়েক্লববু ঙমজবা, মীনা খরসু থাগৎপিবা অমদি শেল ফংবসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** হেন্না অশা চাওরুনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**কর্কট :** য়েৎনবনা মাংজবা, অশাওবনা মীপাইনিংঙাই ওইবা নংবা অমদি হকচাংসু নুংঙাইতে হোয়া ফদবা ফৈ। অঙম্বা অমদি মীয়াম্না চানবীগনি। অচুম্বনা মাই পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**সিংহ :** নিংবা থুংগনি, মীচং হেনগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। থবক অমদি লৈফমগী চয়েৎনবা লৈরম্বা কোকচবগী নুংঙাইবা লৈগনি। থবক হৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**কন্যা :** মীচং হেনগৎকনি, ললোন ইতিক কান্নগনি, ৱাখলগী পাঙ্গল হেনগৎকনি। খজিক্তং খন্থরদি মীনা তাকপা ঙাইদনা থৌ পাংবা মাই পাক্কনি। অনমদি তানগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**তুলা :** অঙম্বনা হাইবদং পাংবা কান্নগনি। অরং অরাক লৌশিনবা য়াগনি অমদি তুংগী থৌরম পরেং য়াৎথোকপসু হৈগনি। অদুবু য়েৎনবা/অমদি ললোনবদি মাংজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** খাংবা কনখো।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক :** মরুপ মপাং অমদি নংগী ওইবা মীশিংগী মতেং লৌবদি কান্নগনি। লেংদবা লনদি চেকশিন্দবা তৌগনু অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাগনি। থিজিনবদি কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নিংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**ধনু :** অঙম্বনদি চানবীরদি, পাইরক্কী লৌশিংসু য়াম্না লৈরনি অদুনা খুদক্কী ৱারেপ লৌবা ঙমজরনি।ওইজবা থিবসু মাই পাক্কনি। অদুবু ফংবা য়াবদি পনখিনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** পুক্লিং খরা ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**মকর :** পুক্লিং ৱাবা, অনম তানবা য়াদবা অমদি নকিন্থনা নরল মাংহঞ্জবা লৈগনি। ৱা য়াম্না ঙাংবসু চোপকনি অমদি অরং অরাক চেকশিঞ্জৌ। অরুবা থবক পাইগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** খৎনদনবা তপথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা মীচং য়াম্না লৈবা অমদি তুংগী থৌরম য়াৎথোকপা হৈবা নুমিৎনি।হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি লন মাংগনি-অহৈ অপা শাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং

**মীন :** থবক্কী নুংঙাইবা, অচুম্বনা মাই পাকপা অমদি লাই গুরুনা চানবীবা লৈগনি। মীগী মতেং লৌবা কান্নগনি।অদুবু পাউ নুংঙাইতে, য়েক্লবা পাংগল্লি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## লাংতক্লরকই নুমিৎচুপ্পা

থৱান



Thawan is a Poet and Musician